# ময়াংইম্ফালদা দুকান ১২ য়ূম ১ মৈ চাকখ্রে

## ‘মৈহৌ লাংপোক অদু ফায়ার সর্ভিসনা মুখৎপদা পুং ৩ হেন্না চঙখি’

ইম্ফাল,জুন ২৫(এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ময়াংইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চক অৱাং লৈকাইদা ঙরাং নুমিদাং থোকখিবা মৈহৌ লাংপোক্কী থৌদোক অমদা দুকান ১২ অমসুং য়ূম অমা মৈনা তুন্না চাকখ্রে। মণিপুর ফয়ার সর্ভিসনা মৈ অদু মুখৎনবা হোৎনবদা পুং ৩ হেন্না চঙখি। মৈ চাকখ্রবা মফম চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হকথেংননা য়েংশিনবগা লোয়ননা অৱাবা তারবা মীওইশিংগা উন্নখ্রে।

লাইবক থিরবা থৌদোক অদুদা মৈনা চাকখ্রবা য়ূম অদু নিংথৌজম ইবোয়াইমা, ময়াংইম্ফাল কোঞ্চক অৱাং লৈকাইগীনি। মৈ চাকপা অদুদা মহাক্কীদি য়ুমদা নত্তনা মারুটি ভেন অমা, জিপসি অমা অমসুং বজার স্কুটর অমসু য়াওখ্রে। লোয়ননা মৈনা চাকখ্রবা দুকানশিং অদু ইবোয়াইমা অমসুং লৈকাই অদুদা লৈবা কোঞ্জেংবম ধাকে কৌবা মীওই অনী অসিনা ভারা শান্দোকপনি।

মৈনা চাকপদগী অমাং অতা থোকখ্রবা দুকানশিং অদুদি লাইশ্রম মেম্মা দেবী মপুরোইবা মুনাল ময়াং ইম্ফাল থানা ৱাঙ্খে লৈকাইগী গ্রোসরি দুকান, হুইদ্রোম দোরেন অপোকপা হুইদ্রোম বীরমল,ময়াংইম্ফাল কোঞ্চক্কী হোলসেল্লর দুকান অমা, থোঙাম বাদল অপোকপা লৈখিদ্রবা য়াইস্কুল, মতুম ফিবৌগী ফার্মাসি অমসুং মীসু লৈনবা দুকান, শগোলশেম সদানন্দ অপোকপা লৈখিদ্রবা জোয়, ময়াংইম্ফাল বজার মমাঙগী কম্প্যুটর অমসুং মোবাইল লোয়ননা কেসেট য়োনবা দুকান, ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চক্তগী এন গীতারানী অপোকপা এন ধনঞ্জয়গী দুকান, সাপম জোয়গী লোয়নবী সপাম সন্ধ্যারানি দেবীগী ভেরাইতি ষ্টোর, ময়াংইম্ফাল কোঞ্চক্তগী থাঙজম জুগেশ্বরগী লৌউ শিংউবগী পোৎলমশিং ঙা য়োকপগী পোৎলমশিং অমসুং ঙাগী মচিঞ্জাক য়োনবা দুকান য়াওখ্রে হায়রি।

মসিগা লোয়ননা ময়াংইম্ফাল কোঞ্চক্তগী লোংজম প্রেমলাতা দেবীগী হোল্‌সেল্লর দুকান, ময়াংইম্ফাল কোঞ্চক্তগী হুইদ্রোম জিতেনগী গ্রোসরি অমসুং ভেরাইটি ষ্টোর, ময়াংইম্ফাল কোঞ্চক্তগী নোংমাইথেম শ্যামসুন্দরগী চাক হোটেল, ময়াংইম্ফাল কোঞ্চক্তদগী নিংথৌজম জিবন সিংহগী ফর্নিচর দুকান অমসুং গোদাউন, ময়াংইম্ফাল থানা অনীলোংবীদগী থৌদাম খম্বগী চাক হোটেল মৈনা চাকপা অদুদা উৎ ওনখ্রে।

মফম অদুদা লৈরম্বা মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তারকপা মতম অদুৱাইদা থোং লোনবা দুকান অমদা মৈ চাক্লকপা উবদগী লৈকাইগী মীয়াম্না কন্নবা হোৎরবসু মৈ চাকপা অদু কনবা ঙমখিদে।

মৈ চাকপগী পাউ অদু ফংবদগী ময়াংইম্ফাল ফয়ার সব ষ্টেসনদগী ফয়ার টেন্দর অনী মফম অদুদা থৌজিল্লক্তুনা মৈ চাকপা অদু কন্নবা হোৎনখি। মখোয়না মৈ কনবা ঙমদবগী ফিভম উবদগী ইম্ফালদা পাউ পীরবা মতুংদা হেদ ওফিসতগী ফয়ার তেন্দর মরি রিএনফোর্সমেন্ট ওইনা মফম অদুদা চং শিনখি হায়রি।

ফয়ার তেন্দর তরুক অদুনা মৈ অদু মুখৎনবা হোৎনবদা চাউরাক্না পুং ৩ রোম চঙখি হায়না মণিপুর ফয়ার সর্ভিসতগী ফংবা পাউ অমনা হায়রি।

মৈ চাকপগী পাউ তাবদগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা ঙসি অয়ুক মহাক মশামক মফম অদুদা চত্তুনা মৈ চাকখিবা মফম অদু হকথেংননা য়েংশিনখ্রে। লোয়ননা অৱাবা নংলবা দুকান মপুশিং অমসুং য়ূমগী য়ুম্বুগা উন্নদুনা অৱাৎ অপাশিং হংখ্রে।

মৈ চাকপগী অৱাবা নংলবশিংগী মায়কৈদগী চীফ মিনিষ্টরদা মখোয়গীদমক লৈঙাক্না অঙম্বা মতেং পাঙবীনবা হায়জবগা লোয়ননা মখোয়বু অথুবা মতমদা লোন পীবিদুনা মৈনা চাকখ্রবা দুকানশিং অদু শাবা য়াহনবীনবা হোৎনবীনবা চীফ মিনিষ্টরগী পুক্নিং চিংশিনখি।

তুংদা চীফ মিনিষ্টরনা পাউমীশিংদা হায়, ঙরাংগী থৌদোক অদু য়াম্না লাইবক থিবা থৌদোক অমনি। অৱা অনা তারবশিংগীদমক দিপার্টমেন্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী খুদক্কী ওইবা তেংবাংগী পোৎলমশিং থুংলরে।

মখা তারকপদা ফয়ার সর্ভিসতগী মাঙখি তাকখিবশিংগী রিপোর্ট অমা কৌরবা মতুংদা মৈ সোর্ট সার্কুইটতগী হৌরকপা ওইরবদি পৱার দিপার্টমেন্টতগী কম্পেন্সেট তৌবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈ। মদু করি তৌবা য়াবগে হায়বদু লৈঙাক্না য়েংগনি।

মরক অসিদা অৱাবা নংলবা দুকান মপুশিংগী মায়কৈদগী লোন পীবিদুনা অথুবদা দুকানশিং অসি শাগৎনবা হোৎনবীয়ু হায়রিবনা কন্সার্ট্যিয়েন্সিগী মীহুৎ ওইরিবা অসিগা তান্নরগা অথুবদা লোন ফংহনবা য়াব্রা হায়বদু য়েংশিনগনি হায়খি।

মণিপুরদা ফয়ার সর্ভিস অসি হেন্না মপাঙ্গল কলহন্দবা য়ারক্তবা, মীগী অৱাৎপা লৈরকপা অসি য়েংলগা লৈঙাক্না লৌখৎপা য়াবা থবক লৌখৎনবা খন্নবা লৈরে। সব ষ্টেসন হাংদোক্লিবা মফম কয়াদা সব ষ্টেসন হাংদোকপীনবা সেন্টরদা অহবা চেরোল পীদুনা তকশিনখ্রে। লৈঙাক্না মীয়ামগী অৱাবা য়েংলগা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিল্লগনি হায়খি।

# ৱার্ল্ড ভিটিলিগো দে থৌরম ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,জুন ২৫(এস এন এস) ঃ

ভিটিলিগো সোসাইটি মণিপুর অমসুং ইনিদয়ান এসোসিয়েসন ওফ দরমাটোলোজিষ্ট, ভেনরিওলোজিষ্ট এন্দ লেপ্রোলোজিষ্ট (আই এ দি ভি এল) মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ ইম্ফাল অনী পুন্না খূৎশম্নদুনা ৱার্ল্ড ভিটিলিগো দে থৌরম ইম্ফালগী চীংমৈরোং খোংনাং অনী কারক দিঙ্কু রোর্দ লম্বীগী দিউলালেন্দদা লৈবা লোইবিয়া, স্পুন বিল্ডিংগী অহুমশুবা ফ্লোরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা ডা. করাম লোকেন্দ্রো, ডা. ৱাই লোকেন্দ্রো, ডা. কে শান্তিবলা, হেদ, সাইকিয়্যট্রি দিপার্টমেন্ট জেনিমস হোস্পিটালনা দাইজ মেম্বরশিং ওইখি। দাইজ মেম্বরশিংনা থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপগা লোয়ননা ডা. করাম লোকেন্দ্রোনা লূচিংদুনা ভিটিলিগো সোসাইটি মণিপুর লোম্বিং তৌবগা লোয়ননা ডা. করাম লোকেন্দ্রোনা ভিটিলিগো করিনো হায়বসিগী মরমদা ৱা ঙাংখি। ডা. ৱাই লোকেননসু ভিটিলিগোগী মরমদা মরুওইবা ৱাফম কয়ামরুম মীয়ামদা থমখি। লোয়ননা ডা. কে শান্তিবলানা সোসিয়েল ইশুগী মতাংদা শুগাইনা ৱা ঙাংখি। মিষ্টর একেননা য়োগা এন্দ ষ্ট্রেস মেনেজমেন্ট এন্দ ইটস বেনিফিস টু ভিটিলিগো হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংখি। ডা. করাম লোকেন্দ্রোনা মণিপুরদা লান্না লৌনবা কয়াগী মরমদা শেংদোক্লদুনা হায়খি, অঙৌবা পকপা (ভিটিলিগো) হায়বসি লৌনগনবা অমসুং তাংনা থোকপা লায়নানি। অঙৌবা পকপা খূদিংমক ভিটিলিগো নি। অঙৌবা পকপা খূদিংমক লেপ্রোসিগা মান্নে। অঙৌবা পকপা চাদা ১০০ পারি পুরিদগী শন্দোকই। অশিনবা চিঞ্জাক, শঙ্গোম, শা, ঙা, য়েরুমনচিংবা চাবনা অঙৌবা পকপা হেলহল্লি। অঙৌবা পকপা (ভিটিলিগো) না হকচাংগী কয়াৎশিংদা শোকহল্লি। অঙৌবা পকপা না হকচাং শিনবা থুংনা শোয়দনা শন্দোক্কনি অমসুং লায়েংবা ঙমদে অমদি এলোপেথিগী, হায়বদি ডোক্টরগী অনৌবা লায়েংশিংনা লায়েংলবদি হকচাং শোকহল্লি অমসুং কান্নবা লৈতে হায়না মণিপুরগী মীয়াম্না লান্না থাজনবী ওইরিবশিং অসিগী মতাংদা শেংদোক্লদুনা অসুমনা হায়খি। অঙৌবা পকপা (ভিটিলিগো) শিং লৌনবা য়াবা নত্তে। অতোপ্পদা লৌনদে অমসুং চাদা মীওই ২ তমক থোক্কল্লি। অঙৌবা পকপা খূদিংমক ভিটিলিগো নত্তে। মসিগা মান্নবা অতোপ্পা লাইওং কয়াসু লৈরি। লেপ্রোসিগা অঙৌবা পকপগা মরী লৈনদে। অঙৌবা পকপদি অকে অমৌদা নুংঙাইতবা অমসুং য়েংবদা ফজদবখক্তনি। মীওই খরদংদা পারি পুরিগী খূৎথাংদা অঙৌবা পকপা শন্দোকপা য়াই। অফবা চিঞ্জাক চাবগা মরী লৈনদে। চিঞ্জাক্তা অথিংবা থোইনা লৈতে। অঙৌবা পকপনা হকচাং শোকহনদে। অঙৌবা পকপা (ভিটিলিগো) অসি মফম খরদংদা শন্দোকল্লি। হকচাং লোইনা থুংদবা য়াদে হায়বা লৈতে । লোয়ননা এলোপেথিগী অনৌবা লায়েংশিংনা খ্বাইদগী ফবা লায়েং পথাপনি। হিদাক চাবা, তৈবা, কাপপা অমদি ওপরেসনচিংবা লায়েংগী উপায় কয়া হৌজিক্তী লৈরে হায়না লমদমসিদা লান্না থাজনবী কয়াগী মরমদা মরিক চুম্বা খূদম চাংদম কয়া পীদুনা মীয়ামদা ৱাখল তাহনখি। মালেমগী ওইনা মশক নাইবা অফাওবা মী অমা ওইখিবা মাইকেল জেক্সন অমুবা কুচুগী মীওইনি। অদুবু মহাক অঙৌবা পকপদগী মহাক্কী হান্নগী কুচু অদুসু অঙৌবা ওন্থোকহনদুনা য়াম্না ফজবা অফাওবা ওইবা ঙমখিবনি হায়খি। ৱাফমশিং অসিগা লোয়ননা অঙৌবা পকপা (ভিটিলিগো) না নারবশিংবু নুংশিনা লোয়নবীয়ু, লুনা তৌবীয়ু, হঙ্গোইনা ইথোকপা তৌবীগনু হায়বা ৱাফমশিং অসিসু থমখি। ডা. শান্তিবলানা লান্না থাজনবী অমদি হেঞ্জিন্না খঞ্জিনবনা লায়না অসিবু অকিবা পোকহনবগী মরমদা অসিগুম্লবা ৱাখলশিং অসি থাদোকপীনবা মরিক চুমনা খূদম কয়া পীদুনা মীয়ামদা ৱাফম কয়া থমখি। মিষ্টর একেননা য়োগানা ভিটিলিগোনা নারবা মীওইশিংগী ৱাখলদা ষ্ট্রেস লাকপা মতমদা য়োগানা মতেং য়াম্না পাংবা ঙম্মী হায়না ফোঙদোকখি।

# লোকতন্ত্র সেনানী সংঘ শীন্দুনা ব্লেক দে ওবজর্বেসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,জুন ২৫(এস এন এস) ঃ

লোকতন্ত্র সেনানী সংঘ, মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি মণিপুর পেস ক্লবতা ব্লেক দে ওর্ভেসন পাঙথোকখ্রে।

এদভোকেট মুতুম গৌরহরিনা থৌরমগী নুঙগী ৱারোল পীরদুনা হায়, লোকতন্ত্র সেনানী সংঘ অসি ভারত জাতিগী থাক্তা শেম্বা ওর্গনাইজেসন নি। সংঘ অসিনা চহী খূদিংগী জুন ২৫বু ভারত জাতিগী হক মৎপা নুমিৎ হায়না পালন তৌই। অসিগুম্লবা থৌরম অসি মণিপুরদসু কুমজা ২০১৭ দগী হৌরগা ঙসিফাওবা পাঙথোক্লি। হন্দক পাঙথোক্লিবা অসিনা মণিপুরগী ওইনদি অহুম্লকশুবা নীংশিং থৌরমনি।

ভারত অসি মালেমদা খ্বাইদগী চাউবা দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি হায়না লৌনৈ। অদুবু কুমজা ১৯৭৫ গী জুন ২৫দা ইন্দিয়াগী দিমোক্রেসিদা অমুবা কালি তৈশিন্দুনা লৈবাক অসি মালেমগী মমাঙদা ইকাই–ফিরুপ খুমখি। অদুগুম্লবা নুমিৎ অদুবু লোকতন্ত্র সেনানী সংঘনা ভারতকী অমঙ্বা নুমিৎ হায়দুনা পাক শন্না নীংশিং থৌরম পাঙথোকই।

মতম অদুগী ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীনা ১৯৪৫ গী জুন ২৫দা ইমরজেন্সি লাউথোকখি। অহিং অমগী মনুংদা ইন্দিয়া শিনবা থুংবদা লৈরিবা ওপ্পোজিসনদা লৈবা পার্টিগী লূচিংবা খূদিংমক ফাজিনখি। অদূগুম্বা নুমিৎ অদুবু ঙসিসু নীংশিংবা ওইনা জুন ২৫দা ব্লেক দে ওবজর্বেসন পাঙথোকপনি হায়খি।

এম এল এ টি ঐচ সত্যব্রাটা সিংহ না থৌরমগী অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা হায়, কুমজা ১৯৭৫গী জুন ২৫গী অৱাবা হকথেংননা মায়োক্ল–খ্রবা লূচিংবশিংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পেন্সননচিংবা পীখ্রে হায়না তাই।

মণিপুরদসু অৱাবা অদু হকথেংননা মাইয়োক্লখিবা লূচিংবশিংদা লৈঙাক্না করি করম্বা মতেং পীবা য়াবগে হায়বদুগী মতাংদা লৈঙাক্তা হায়জনি হায়খি।

## ফেক ইনকাউন্টর–স্পিসিয়েল ...

*লমায় ১গী মখা*

য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগা সুপ্রিম কোর্টতা কেস অমদা সুপ্রিম কোর্টনা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই)দা মণিপুর পুলিস অমদি ইন্দিয়াগী আর্ম ফোর্সেস পার্সনেলশিংনা চথখিবা শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোকশিং ইন্দিপেন্দেন্ট ইনভেষ্টিগেসন টিম অমা শেমদুনা থিগৎনবা ডিরেক্টিভ পীখি। ডিরেক্টিভ অসিগী মতুং ইন্না সি বি আইনা এফ আই আর ৩৯ রেজিষ্টার তৌদুনা ইনভেষ্টিগেসন চথখি অদুগা শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবগী কেস ১১গী চার্জ সিট থাগৎখি। কেস মাপল অমনা মরী লৈনবা চীফ জ্যুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেটশিংনা কোগনিজেন্স তৌখ্রে অদুগা কেস অনী অমনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সি জে এমনা রেজিষ্টার তৌখ্রে।

কেস মাপল ক্রিমিনেল ট্রাইয়েল চথবা হৌরবদা সি বি আইগী স্পিসিয়েল পব্লিক প্রোসিক্যুটর লৈতবা অদুগা মরী লৈনবা কোর্টশিংদা কেস কয়া ননশিন্নদুনা লৈবনা থা অমা হেন্না কান্নরগা মতম লেপ্পনা কেসশিং অসি মঙম শান্দ্রে হায়রি। অমরোমদা,থৌবালগী চীফ জ্যুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেটনা মাগী কোর্টতা চথগদবা কেস অনীদা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎপীদ্রে হায়বা ৱাফমসু চেরোল অদুদা পল্লি।

মরম ময়াম অসিনা মরম ওইদুনা শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবগী কেসশিংগী বিচার চথবদা মঙম শান্দবশিং কোকহন্নবা স্পিসিয়েল ডিজিগনেটেদ কোর্ট লিংবগী ৱাফম অসি ঈফমনা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিসতা তকশিল্লকখিবনি হায়রি।

## লাঙ্গোল চীং শংহন্নবা হোৎনরি...

*লমায় ১গী মখা*

হৌখিবা কংলা বোর্দকী মীফমদা চীফ মিনিষ্টরনা কংলা মনুংদা অঙম্বা থাক্তা উ পাম্বীশিং থানবা চীফ মিনিষ্টরনা সজেসন পীরকখিবদগী উ থাবগী থৌরম অসি পায়খৎলকপনি।

মসিগীদমক লাইন দিপার্টমেন্টশিং, ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্ট, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন দিপার্টমেন্টকী মতেংগা লোয়ননা উঁহে পানবা পাম্বী মখলশিং মরাং কায়না ফংবা ঙমখি।

লাইন দিপার্টমেন্টনা কন্না হোৎনবীদুনা লমদম অসিগী উঁহে পানবা পাম্বী মখলশিং ফংহনবীরে। কংলাদা ঙসি থারিবা পাম্বীশিং অসি শোয়দনা হিংহন্নবা হোৎনসি হায়বদগী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা চাম্মদা চাম্ম হিংলগনি হায়বগী থাজবা লৈরি।

থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার সিংহ, সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যাম কংলা ফোর্ট বোর্দকী মেম্বরশিং টি ঐচ সত্যব্রতা সিংহ, হেন্নগী এম য়ুগী হিষ্টরিগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট প্রো. এন জয়কুমার, মুটুৱা ম্যুজিয়মগী দাইরেক্টর মুতুৱা বহাদুর, চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেসবাবু, দি জি পি মণিপুর এল এম খৌতেসু শরুক য়াখি।

## মতম হেল্লবা...

*লমায় ১গী মখা*

য়োন্নবা হোৎনরম্বদগী কে এস এনা ফাগৎতুনা মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রবা মতুং মদুগী মখা চথরকপা ওইনা দ্রাইভ অসি চথজবনি। দ্রাইভ অসিদা তোঙান–তোঙানবা অচা–অথক্কী পোৎলম অমসুং হিদাক মনাগী পোৎলমশিং মতম হেনবা অমসুং মেন্যুফেকচরিং দেট থারমদবা থেংনবদগী ফাগৎখ্রে। মখা তানসু দ্রাইভ অসি মফম কয়াদা চথখিগনি। মীয়াম্না মতেং পাঙবিয়ু হায়খি।

দুকান ফম্বীরিবা ইচিল–ইনাওশিংনা অসিগুম্বা হকচাংদা শোক্লিংঙাই ওইবা পোৎলমশিং অসি মখা তানা য়োনবীগনু। লোয়ননা অসিগুম্বা খোঙথাংশিং অসি লৌখৎনবা লৈরিবা লৈঙাক্কী ওঠোরিটিশিংসু ঙসি কে এস এগী দ্রাইভ অসিদা ফাগৎলিবা পোৎলমশিং অসিনা তাকপদি মখোয় মথৌ নীংথিনা তৌদ্রে তাকপনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## হেংলেপ পি ঐচ সি মতম চুপ্পদা থোঙ...

*লমায় ১গী মখা*

সেক্রেটরী খাইখোলিয়ান হাওকিপনা পাউ–চে অসিদা হায়, মতম–মতমগী অওনবা লৈঙাক লাক্লবসু খূল অসিগী ওইনদি অহোংবা লৈতে। চাওখৎ থৌরাংগী থবক অমত্তা পায়খৎপীদে। খুঞ্জা অমা নাবা য়াওরকপদা গাড়ী লৈতবনিনা খূলগী নুপা ২০–৩০ খোল্লগা খোঙনা শগাইদা হাপ্তুনা চুরাচন্দপুর তান্না পুই। নুমিৎ নীনি হেন্না চঙবা খোঙচৎ অসিদা হোস্পিটাল য়ৌদ্রিঙ্গৈদা অনাবা শিখিবদু কোঙ্গাইনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা মীরোনবী মমাশিংগীদমক অঙাং উন্নবদা পুখৎননবা এম্বুলেন্স সার্ভিস নমথাক্লি। ঙসি ফাওবা হেংলেপতা এম্বুলেন্স গাড়ী অমফাওবা চঙলকপা লৈখিদ্রি। মায়োক্লবীনা অঙাং উন্নবা ঙম্লগা ঙগ্রে,ঙমদ্রগনা শিজরে। মচিঞ্জাক চাবা ইমুংগী মীওইনা থা খরা য়াম্লক্লিঙৈদো চুরাচান্দপুরদা অশানবা য়ূম ৱাইরগা অঙাং উন্নদ্রিবা ফাওবা লৈনৈ।

অতোপ্পা খুঞ্জা অমনা পাউ–চে অসিদা হায়, হোস্পিটাল অসিগী ডোক্টরনি হায়বা মীওই অমা চয়োল অমগী মনুংদা অমুক্তি খূল অসিদা লাকপা উই। অদুবু মহাক পি ঐচ সি অদুদা অমুক ফাওবা চঙদে। মহাক্না ৱাইজবা য়ূম অমদা অহিং অমা লেল্লক্লগা হনখিবনি। মহাক্ন য়ূমদা অনাবা খরা লায়েংবা অদুদি হিদাক লৈফমসু লৈতবনিনা মীয়ামদা কান্নবা লৈতে। মহাক্না মখা তানা হায়, চুরাচান্দপুরদগী কম্মন ওইবা হিদাক–লাংথক খরা লৈরগা খূল অসিগী দুকান খরদা য়োনবা য়াওই। মখোয়না খূল অসিগীদি খ্বাইদগী ফরবা ডোক্টরনি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার নৎত্রগা অতৈ লৈঙাক্কী মরুওইবা মীওই অমত্তনা মফম অদুদা খুন্দারিবা মীয়ামগী হকশেলগী ফিভম করম তৌরি অমসুং করন্না অনা–লায়েং চথরিবগে হায়বা য়েংশিন্দে। চীংমী খুঞ্জাশিংবু নুংশি হায়না তৎতনা পল্লিবা চীফ মিনিষ্টরনা অখন্নবা মিৎয়েং চঙবীদুনা খূল অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমশিং অসি অমুক্তং মিৎয়েং চঙহন্নিংই। মহাক্ন মখা তানা হায়, ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টরগী ওইবা হকশেলগী তেংবাং অমদি প্রাইম মিনিষ্টরগী হেল্‌থ কার্দ অয়ুসমান ভারতকী কার্দ পায়নবা কনাগুম্বা অখঙ অহে অমত্তা হায়বীদবনা খূল অসিদা লৈরিবা লাইরবা ইমুং অয়াম্বা পায়নদে, মদুগী কান্নবনা করি করিদা ফঙগে হায়বসু খুঞ্জাশিং অমত্তা খঙনদে হায়না ফোঙদোরকখি।

# হোম গার্দঃ দ্যুটি এল্লাৱেন্স হেনগৎপা য়াগনি, য়ারোই হায়বা চপ চাবা ওর্দর ১ থোকপীরো

ইম্ফাল,জুন ২৫(এস এন এস) ঃ

সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুরগী হোম গার্দ ইমপ্লোইয়িশিংগী থাগী দ্যুটি এল্লাৱেন্স হেনগৎলু হায়খ্রবসু ঙসি ফাওবা দ্যুটি এল্লাৱেন্স হেনগৎত্রি। হায়রিবা দ্যুটি এল্লাৱেন্স অসি হেনগৎপা য়াগনি নৎত্রগা য়ারোই হায়বা চপ চাবা পনবা ওর্দর অমা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা থোকপীরো হায়না মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোইয়ি ৱেলফেয়ির এসোসিয়েসনগী প্রেসিদেন্ট ৱাই মঙ্গি সিংহ না ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগী মতাংদা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ৱাই মঙ্গিনা মখাতানা হায়, কুমজা ২০১৯ গী মার্চ ১৬ তা এসোসিয়েসন অসিনা সুপ্রিম কোর্ট না তাখিবা ওর্দর অদুগী মতুং ইন্না হোম দিপার্টমেন্টনা করি থবক লৌখৎলবগে হায়বগী মতাংদা দিপার্টমেন্ট অসিগী এস পি আই ও। স্পিসিয়েল সেক্রেটরীদা আর টি আই এপ্লিকেসন থাখি।

হংখিবা ৱাহং অদুগী পাউখুম মতমচানা পিবিদবনা মরম ওইরগা মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসনদা আপিল কেস নম্বর ৪৫।২০১৯ গী মখাদা কেস অসিগী হিয়ারিং চথখি। কুমজা ২০১৯গী জুন ২৪ দা মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসননা হংলক্লিবা ৱাহংগী পাউখুম অসি এফ এ এ । চীফ সেক্রেটরী (হোম) গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা নৎত্রগা এস পি আই ও। স্পিসিয়েল সেক্রেটরী (হোম) গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা কম্মিসনদা লানখৎলকউ হায়না ওর্দর তাখিবা লৈ।

থা ৩গী মতুংদা (২০।০৬।২০১৯) দা দিপ্যুটি সেক্রেটরী (হোম) গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা মহুৎ শীল্লগা ৱাহং অদুগী পাউখুম অদু য়াম্না মপুং ফাদনা পীরকখি।

ৱারোল মদুদি, মখা তাবা অহেনবা শেনফম পীনবগীদমক লো দিপার্টমেন্ট গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী ভিয়ু লৌননবা প্রোসেস তৌরি।

মহাক্না হায়, য়েৎননিংঙাই ওইদ্রবা য়াম্নমক তশেংলবা ৱাফম ওইরবা সুপ্রিম কোর্টকী জজমেন্ট মতুংইন্না মিনিমম ওপ পে গী মতাংদা হোম দিপার্টমেন্টনা অসুক মতম কুইনা নমশিন্দুনা থম্বীবগী মরম লৈরম্বা য়াই। মখা তাবা ওইনা জুন ২১দা এস পি আই ও। স্পিসিয়েল সেক্রেটরী (হোম ২) গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মফমদা আর টি আই এক্ট ২০০৫ কী মখাদা অয়াবা পীরে হায়রিবা কেবিনেট প্রোসেদিং কোপি অমসুং কেবিনেট মেমোগী কোপি ফঙহনবীনবসু অমুক হন্না এপ্লিকেসন থাখ্রে।

হোম দিপার্টমেন্টনা হোম গার্দ পর্সোনেলশিংগী য়াইফনবা হোৎনবীয়ু। থবক কাদবা, দ্যুটি তৌহনদবা ময়াম অমা কম্মন্দরশিংগা মান্নরগা থাগী এল্লাৱেন্সকী শেনফম য়েন্নদুনা চারিবা অসি য়েংশিনবীয়ু।

কম্মান্দর খরনা মখোয়গী খুত্তা লৈবা পর্সোনেলশিংবু য়ুনিফোর্ম শেৎহল্লগা ফোটো নমলিবসি করি করম্বা অরোনবা থৌরাং লৈবনো ? অদুগা বাট্টালিয়ান কম্মান্দরশিংনা কুশি তৌদুনা পর্সোনেল খরদা ঙাইহাক লৈতনা অমদি মরম চাদনা দ্যুটি মফম হোংদোক হোংজিন তৌদুনা শান্নরিবা অসিনচিংবশিং অসি ওথোরিটিনা য়েংশিনবীয়ু হায়নসু অপিল তৌরক্লি।

## ইন্সটিট্যুসন থিংজিনবা অচুম্বা খোঙথাং নত্তেঃ সি এম

ইম্ফাল,জুন ২৫(এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা দি এম য়ুনিভর্সিটিগী থবক থৌরম খূদিংমক থিংজিল্লে হায়না লাওথোকরকপা অসি লাইবক থিবনি। মসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে, পেন্দবা খূদিংমক লৈঙাক্না ৱারী শান্নরগা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, মহৈরোই লূপ অসিনা ইন্সটিট্যুসন অসি থিংজিল্লিবা অসি খুদক্তগী হন্দোক্লবা খঙহনলি। করিগুম্বা অথিংবা অসি লৌথোক্তবা তারবদি লৈঙাক্না তুমিন্না খাঙদুনা লৈথোক্লোই।

করিগুম্বা পেন্দবা কয়া লৈরবসু, প্রোব্লেম কয়া লৈরবসু মদু করিনো হায়বদু লৈঙাক্না তরেৎ তারা থোক্না খন্নরগা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। হিরম অসিগী মতাংদা এদুকেসন মিনিষ্টরদসু অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্লবা শিন্নখ্রে হায়খি। হৌজিক নোং চুদবনা লৌ পানবা য়াদবগী ফিভম অমা লাক্লিবা অসিদা লৈঙাক্না করি থৌরাং পায়খৎপা লৈবগে হংবদা সি এম এন বিরেননা হায়, তুরেলশিংদগী ঈশিং চীংখৎলগা লৌবুক্তা ঈশিং পীবগী থবক তৌরিবা রিভর লিফ্‌ট ইরিগেসন খরদি থবক হৌহন্দুনা মফমশিং অদুদা ঈশিং লৌবুক্তা ফংহন্নবা থবক পায়খৎপা হৌরে। মসিদা নত্তনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লৌবুকশিংদা ঈশিং পীনবা লোক্তাক লিফ্‌ট ইরিগসেনগী কেনেলশিং ঈশিং থানবা থবক পায়খৎপা হৌরে।

মসিদা নত্তনা মাইনর ইরিগেসন অমসুং এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট তান্নরগা মফম কয়াদা পম্পসেট পীরগা ঈশিং চিংখৎহনবা য়াব্রা হায়বনচিংবা অদু য়েংশিন্নবা খন্নবা লৈরে। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা নিতি আয়োগকী মীফমদা ঈকং থোকপা মানবা ফিভম লাকপা মতমদা মদু করম তৌনা লাকশিনগদগে হায়বদু কুপ্না খন্ন নৈন্নখি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌমীশিংদা প্রোব্লেম থোকহন্দনবা হোৎনগনি হায়না সি এমনা ফোঙদোকখি।

## দি এম য়ুনিভর্সিটিগী অথিংবা লৌথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৫(এস এন এস)ঃ

য়ুনিভর্সিটি অমা ওইবগী চৎন–কাংলোন চপ–চানা চত্তবনা মহৈরোইশিংদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে ওল মণিপুর ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন (এমসু) অমদি য়ুনিভর্সিটি অসিগী মখাদা লৈবা কোলেজ ৫গী মহৈরোইশিংনা খোঙজং চংশিনখ্রে, তুংদা লৈঙাক্না য়ান্নবা পুরকপদগী দি এম য়ুনিভর্সিটিদা থম্লম্বা অথিংবা লৌথোকখ্রে।

ঙসিগী খোঙজং অদু দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী গেট মমাঙদা এমসুগী থৌমীশিং অমদি দি এম য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোইশিংগা পুল্লগা খোল্লাও কয়া লাওদুনা চঙশিনখি। খোঙজং অদুগা মরী লৈননা এমসুগী ঐচ আর দি সেক্রেটরি ক্রুস পেবমনা পাউমীশিংদা হায়, দি এম য়ুনিভর্সিটিনা লমদম অসিদা অহানবা লিংখৎলকপদা মীয়াম্না হরাওনখি। অদুবু য়ুনিভর্সিটি অসি সেসন হৌখিবা চহি অমা হেল্লবা ফাওবা লৈঙাক অসিনা পূক্নিং চংদবনা মরম ওইরগা হিরম কয়াদা অৱাৎ অপানা থল্লে। মরক অসিদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মখাদা লৈরিবা কোলেজ খরগী ওজাশিংসু মখোয়গী মরম চাবা দিমান্দ তৌদুনা লাইরিক তাকপা লেপ্পা য়াওরি। মরম অদুনা য়ুনিভর্সিটি অসি য়াম্না লাইবক থিবা ফিভম অমদা লৈরে। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা এমসুনা তঙাইফদবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী চপ–চাবা চৎনা পথাপ অদু লৈহন্নবগীদমক দিমান্দ তৌদুনা য়ুনিভর্সিটি অসি থিংবগী ফিরেপ অদু লৌদুনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি হায়খি।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল এমসুগী প্রেসিদেন্টনা লূচিংবা লূপ অসিগী থৌমী ৭ কা মণিপুর লৈঙাক্কী এদুকেসন মিনিষ্টরগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবদা দি এম য়ুনিভর্সিটি অসি য়ুনিভর্সিটি অমা ওইবগী চপ চাবা চৎনা পথাপ অদু লৈহন্নবা এমসুনা থমখি চাত্তর ওফ দিমান্দ অদু অথুবা মতমদা ওন্থোক্লগনি হায়না থাজবা পীরক্লে মরম অদুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী থবক থৌরমদা অথিংবা থল্লম্বা অদু লৌথোক্লে হায়না এমসু সেক্রেটরী জেনরেল বিনিচন্দ্র অহন্থেমনা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

## ট্রাফিক পুলিসনা পোষ্টর কেম্পেন চৎথখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৫ (এস এন এস)ঃ

ইর্ন্টনেস্নেল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুস এন্দ ইল্লিসিট ট্রাফিক্কিংগা মরী লৈননা ঙসি ত্রফিক পুলিসনা জি এম হোল মমাঙদা পোষ্টর কেম্পেন চৎথখ্রে। দ্রগ এব্যুস অমদি ইল্লিসিট ট্রাফিক্কিংগী মতাংদা ইবা লিফলেটশিংসু লম্বীদা লাকপা গারীশিংদা য়েন্থোকখ্রে।

চৎথখিবা কেম্পেন অদুগা মরী লৈননা ট্রাফিক পুলিসকী দি এস পি কৈশাম বিজয়কুমারনা হায়খি, হায়েং অসি ইর্ন্টনেস্নেল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুস এন্দ ইল্লিসিট ট্রাফিক্কিংগী থৌরম মালেমগী মফম খুদিংদা পাঙথোক্লগদৌরি। থৌরম অসিগী মাঙওইননা ঙসিগী কেম্পেপন অসি চৎথবনি। দ্রগ এব্যুস অমদি ইল্লিসিট ট্রাফিক্কিংনা পীরিবা চৈথেং অসি ঙসিগী খূন্নাই অসিনা পূন্না খঙমিন্নবা মথৌ তাই। মসিগী ঙাকথোক্লবা ঐখোয় অমত্তা ওইনা চঙশিনমিন্নসি। দ্রগ এব্যুস অমদি ইল্লিসিট ট্রাফিক্কিং হৌজিক মালেমগী ওইনা অচৌবা ইশু অমা ওইরি। লমদম অসিগী নহাশিংবু মসিদগী কন্নবা অমদি অফবা খূন্নাই অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা হায়রিবা নুমিৎ অসি মালেম শীনবা থুংনা হায়েং পাঙথোক্কদৌরিবনি হায়খি।

# শেল শীংগে কৌথোকখিবী নুপী ১ ...

*লমায় ১গী মখা* থৌরগা থোকখি।

নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ রোম তাবা মতমদা ইন্দ্রজিৎ সুমিতাগী য়ূমদা লাক্লগা মপুরোইবা দেবেনদা অমুবীদু সুমিতাগা চৎমিন্নখিবনি হল্লক্লবরা হংলখি। মদুদা দেবেননা হল্লক্তে হায়বদগী মখোয় অনীনা মাগী মাগী নুপীগী নম্বরদা ফোন তৌখি। অদুবু নম্বর অনীমক শ্বিটস ওফ লৈরম্বদগী পুলিসতা কমপ্লেন্ট অমা তৌদবা য়াররাই হায়রম্লগা ইন্দ্রজিৎ চৎখি হায়রি।

দেবেনদি, মহাক্কী নুপী সুমিতা অসি মরী মতাগী য়ূমদা চংবদগী থেংনা হল্লকপসু য়াওই অদুগুম্না হল্লক্কনি খল্লগা ইচম–চম্না লৈহৌখি। অদুবু নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তাবা মতমদা ইন্দ্রজিৎনা দেবেনদা ফোন তৌরক্লগা মহক্কী নুপী অমুবী অমদি সুমিতা মফম অমদা এক্সিদেন্ট থোকপদগী শোক্তুনা লৈরে, মফমদুদা চৎলুসি গাড়ী অচৌবা পুরগা লাকউ হায়রকখি। মদুগী মতুংইন্না দেবেননা মহাক্কী মনাওনুপাগী গাড়ী পুরগা ইন্দ্রজিৎপু ময়ূমদগী লৌখৎলগা পুন্না চৎমিন্নখি। ফনা শাংনা চৎলবা মতুং খুন তাদবা লমহাং অমা ফাওদুনা চৎপা লম্বীদা সুমতি লোংনা তারগা লৈরম্বগা লোয়ননা পুলিসনা কোয়শিন্দুনা লৈরমখি। অমুবীনা লম্বী নাকলদা ফম্লগা লৈরমখি। মদু উবদা দেবেননা সুমিতাগী মনাক্তা চঙশিনগে তৌবদা পুলিসনা থিংখি। করিগী থিংলিবনো হংলুবদা সুমিতাগী মীশি অসি চিংনিঙাই ওই, ফোরেন্সিক্কী টিম লাক্তুনা য়েংশিন্দ্রিফাওবা মনাক্তা চংবা য়ারোই হায়রকখি হায়রি।

পুলিসশিং অদু মফমদুদা করম্না য়ৌরকখিবনো হায়না হংলুবদা, অমুবীনা সুমিতাগী গাড়ী প্লেজর অদু থৌরগা অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনদা এক্সিদেন্ট থোক্লে হায়না পীবদগী লাকখিবনি হায়রি।

অদুবু সুমিতানা শিরক্লিবা অদু ঙকশমদা ফদিগুম্বা ফি মচা অমা য়েৎলম্মী। লাকহৎখিবগী দাকফম লৈরম্বদা নত্তনা মরৈ চিকঅম্মী অমদি নাতোনদগী ঈতারম্মী হায়রি।

সুমিতাগী মীশি অসি গারী এক্সিদেন্ট থোকপা ওইরোই। কানাগুম্বা মীওই খরানা অতন্নবা হাৎপা ওইগনি হায়নসু লৈখিদ্রবী সুমিতাগী মপুরোইবা দেবেননা থম্মোই শোক্লা ফোঙদোকখি।

সুমিতানা শিরক্লিবা মফম অদু ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা মফম ওইরম্বদগী ইরিলবুং পি এসতা পাউ পীখ। খুদক্তা ইরিলবুং পুলিসকী টিম অমদি ফোরেন্সিক সাইন্সকী টিম লাক্তুনা থৌদোক থোকফমদু কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুং সুমিতাগী অশিবা মশা অদু লৌখৎলগা পোষ্ট মোর্টেমগীদমক জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ৱাহং–পাউহং তৌনবগীদমক অমুবী অমদি মহাক্কী মপুরোইবা ইন্দ্রজিৎ থৌদোক থোকফমদুমক্তগী ঙরাং ইরিলবুং পুলিসনা ফাখি। ফারবা মতৈ–মনাও অসি ঙসি নুংথিল অথেংবদা দ্যুটি মাজিষ্ট্রেটকী মমাঙ পুথোক্লবা মতুং নুমিৎ ৮নি, জুলাই ২ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ পীখ্রে।

কোর্টতা পুথোরকপা অদুদা, কেস অসিগী আই ওনা পিখৎলকপা রিপোর্টতা পল্লিবদি, লৈখিদ্রবী সুমিতাগী মপুরোইবনা তৌরকপা কমপ্লেন্টগী মতুংইন্না থিগৎপদা থৌদোকসিদা চৈন্নে হায়না মরাল শিরবী অমুবী অসি থৌদোক থোকফমদা মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা ফম্লগা লৈরমখি। রিপোর্ট অদুদা মখা তানা পল্লিবদি, অমুবী ৱাহং–পাউহং চথবদা মহাক্কী মমান্নবা অমা লৌখিবা শেনফম অমনা থৌনবগীদমক মহাক্না সুমিতাগা লাকমিন্নখিবনি হায়রি। মহাকপু মখা তানা ৱাহং–পাউহং চথবদা সুমিতানা মঙোন্দগী লৌখিবা শেনফম খরা শিংউ য়াদবদগী অমুবীনা তোপখোঙনাং খোঙদগী এম দি ৱাহিদ (৪৩) অমদি মহাক্না লোয়ননা মীওই অমবু নেক্লগা সুমিতা হাৎলহনবনি হায়না হায়দোকচরক্লে। অদুবু অমুবীগী মপুরোইবদি কেস অসিদগী নাম্থোকপা য়ানবা অচুম্বশিং অদু লোৎশিন্দুনা লৈরি হায়না পল্লি। অমদি থৌদোক অসিগী মতাংদা মখা তানা থিগৎনবা নুমিৎ ৯নি রিমান্দ পিবিনবা আই ওনা কোর্টতা হায়জখি। দ্যুটি মাজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ইষ্ট কোর্টনা কেস অসিগী রেকোর্দ য়েংলগা নুমিৎ ৮ পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ পীখিবনি। অমরোমদা, থৌদোক অসিগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবী সুমিতাগী লৈকাই মীয়ামগী মীফম অমা ব্রহ্মপুর ভৈগ্যবটি লৈকাইদা লৈবা ক্লবতা পাঙথোক্তুনা থৌদোকসিদা চৈন্নবশিং পুং ২৪গী মনুংদা পুথোক্কদবনি অমদি অশিবা মশা লৌখিরোই হায়বা ৱারেপ লৌরে হায়রি।

# মণিপুরদসু ভিসাগী খুদোংচাবা লৈরগনি : টি ঐচ ...

*লমায় ১গী মখা*

টাউন প্লান্নর এম মানসনা হায়, স্কিম অসিগী মখাদা লৈরিবা অর্বান লোকেল বোদি ২৭ মক অসি প্রোজেক্ট অসি সেঙ্কসন তৌনবা হোৎনদুনা লাকপনি। হৌজিক য়ু এল বি খূদিংমক সেঙ্কসন ফংলবনিনা য়ূম শাবগী থবক্তা হেন্না পূক্নিং লুপশিনব হৌরগনি।

স্কিম অসি কুম ২০২২দা লোইশিনগদবা ওইবনা মতম অসিদা শোয়দনা সেঙ্কসন তৌরক্লিবা য়ুমশিং অসি শাবা লোইগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

স্মার্ট সিটি মিসনগী মখাদা ইম্ফাল স্মার্ট সিটি লিমিটেদকী চীফ এক্সিক্যুটিভ ওফিসারসু ওইরিবা দাইরেক্টর মাহুদ টি ঐচ হরিকুমারনা হায়,ইম্ফাল স্মার্ট সিটি অসি লৈবাক অসিগী সিটি ১০০ খনগৎপদা য়াওরকখিবনি। মসি মপুং ওইনা হান্না লৈরম্বা ফিভম অসিদা শেমগৎপগী লম্বীদা চংশিনগদৌরিবনি।

স্মার্ট সিটি অসি কুমজা ২০১৬ তা কম্পনি অমা ওইনা রেজিষ্টার তৌরবসু মসিগী থবক পায়–খৎনবগীদক প্রোজেক্ট মেনেজমেন্ট কন্সলটেন্ট হাপতবা য়াদবনা মসিগী তেন্দর তৌবদা কম্পনিশিং লাক্তবনা থেঙখাঙ অনীরক তেন্দর তৌদুনা কৌখি। তুংদা আই এল এন্দ এফ এস টাউনশিপ এন্দ অর্বান এসেট লিমিটেদপু প্রোজেক্ট মেনেজমেন্ট কন্সলটেন্ট ওইনা লাকখি। লোয়ননা এম ও য়ু কুমজা ২০১৮গী নবেম্বর থাদা তৌনখিবনি।

মিসন অসিগী মখাদা ইম্ফালদা সিটিজেন ফেসিলিটেসন সেন্টর অমা শাবা লোইদুনা শঙ্গাখ্রে।

প্রোজেক্ট অসিগী প্রোজেক্ট মেনেজমেন্ট কন্সলটেন্ট ওইরিবা আই এল এফ এস টাউনশিপ এন্দ অর্বান এসেট লিমিটেদকী মতাংদা হন্দক পাউচেশিংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমগী মতাংদা শেংদোক্লদুনা হায়, কম্পনি অসি লৈঙাক্কী সেয়ার হোল্ড তৌবা কম্পনিনি।

হৌজিক য়াম্না ইন্নরিবা অসি আই এল এফ এস ফাইনান্সিয়েল কম্পনি লিমিটেদ কৌবা কম্পনি অমখক্কী ইশুনি। স্মার্ট সিটি হেন্দল তৌরিবা অসিনা আই এল এফ এস কন্সলটেন্সি কম্পনি অদুগনি।

হায়রিবা কম্পনিশিং অসি মনিং তম্বা কম্পনি ঙাক্তনি। হায়রিবা ফাইনান্সিয়েল ইন্সটিট্যুসন অসিগী ফাইনান্সিয়েল ক্রাইসিস লাকপদগী কম্পনি অসি লৈঙাক্না পায়শিনখ্রে।

লৈরিবা ৱাথোক অসি প্রোজেক্ট মেনেজমেন্ট কন্সলটেন্ট ওইরিবা আই এল এফ এস টাউনশিপ এন্দ অর্বান এসেট লিমিটেদকা মরি লৈনদে। লোয়ননা কম্পনি অসি ব্লেকলিষ্ট তৌবা কম্পনি নত্তো হায়না এন ঐচ এ আইনা হায়খিবসু লৈখি হায়খি।

মীয়াম্না খন্নরিবা কম্পনি অদু হৌজিক লৈরিবা প্রোজেক্ট মেনেজমেন্ট কন্সলটেন্টকা মরি লৈনদে হায়খি। লোয়ননা ইম্ফাল স্মার্ট সিটিগা করিগুম্বা মরি অমত্তা লৈনদে হায়খি।

স্মার্ট সিটি প্রোজেক্ট অসি ফিজিকেল ওইনা থবক লৌখৎপা উদ্রি অথুবা মতমদা থবক খরদি উবা ফংলগনি হায়খি।

অমরুটকী মতাংদা পি ঐচ ই দিগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার ঐচ সুনিলনা হায়, অমরুটগী মখাদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মখাদা লৈরিবা মফমশিংদা ঈশিংগী পাইপশিং তিংবগী থবক চথবনি। মসিগী অপুনবা শেনফমনা লুপা ক্রোর ১৭৫.৮১ নি মসিগী থবক অসি মথং চহীগী মার্চ থাদা লোইশিনগদবনি।

মিসন অসিগী মখাদা হৌজিক পাইপ তিংবগী থবক অসি চাদ ৬০ লোইশিনলে । লোয়ননা অপীবা মতমগী মনুংদা ঈশিং পাইপশিং তিংবা লোইবা ঙমগনি। লোয়ননা প্রিপেইদ মিটর পানলগা ঈশিং য়ূম য়ূমদা ফংহন্নবগী থবক লৌখৎনবা হোৎনরি। মসি মায় পাক্লবদি লৈবাক অসিদা অহানবা প্রিপেইদ মিটর শিজিন্নবা ষ্টেট ওইবা ঙমগদৌরিবনি হায়খি।

অমরুটকী মখাদা পায়খৎলিবা অতোপ্পা থবক্কী মতাংদা এম মানসনা হায়, ঈশিংগী পাইপ তিংবগী থবক অসিখক্ত নত্তনা অমরুটগী মখাদা অপুনবা শেনফমগী চাদ ২.৫ দি পার্কনচিংবা শেমগৎপগী হাপ্পনি। মরম অসিনা আই এম সিগী ৱার্দ অমমমদা পার্ক অমমম শেমগৎলগা ওপন জিমনচিংবা হাপ্পবা থবক লৌখৎলগনি হায়খি।